# এআর না সরেন্দর ৩ হাৎখিবগী মরম
# পীরক্লবা এনঐচআরসিনা খঙহনখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুন ৭ঃ*** হৌখিবা মে ৮ দা মফৌ দামদা লৈবা ২৩ শুবা এ আর য়ুনিটতা খুৎলায়গা কোন্ননা সরেন্দর তৌরকখিবা এমএনএলএফকী কাদর অহুম সরেন্দর তৌরকখিবা মতুং পুং ২৪গী মতুংদা খুৎশেমগী নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা হাৎখিবগী মরম পীরক্লবা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এনঐচআরসি) না অসাম রাইফলতা খঙহনখ্রে।

সাউর্দন অসামদা বেজ তৌবা বরাক হ্যুমেন রাইটস প্রোটেক্সন কম্মিটিগী মায়কৈদগী ২৩ শুবা অসাম রাইফলসনা মখোয়দা সরেন্দর তৌরকখিবা তুমুখোং অৱাং লৈকাইদগী লাইশ্রম নোবিন এলাইজ খুমন (৪২) অপোকপা শ্যামকেশ্বর, লৈকাইদুমক্তদগী নিংথৌজম ইমোচা (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা পশোৎ অমসুং খাগেমপলি নিঙোম লৈরক্তগী ইরেংবম রোসন এলাইজ গোইচা (২১) অপোকপা ইবোমচা ২৩ শুবা অসাম রাইফলসকী মেজর হনুমানদা মে ১০ দা সরেন্দর তৌরবা মতুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টী চদোং তাঙ্খুলদা খুৎশেমগী নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা হাৎখিবনি হায়না নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা কমপ্লেন অমা থাংগৎলকখিবনি।

বরাক হ্যুমেন রাইটস প্রোটেক্সন কম্মিটিনা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা থাংগৎলকখিবগী মতুংইন্না অসাম রাইফলসনা কাপ্তুনা হাৎখিবা সরেন্দরি নোবিনগী মপা শ্যামকেশোরনা হৌখিবা মে ৮ দা মহাক্কী মচানুপা নোবিন য়াওনা অতোপ্পা মমান্নবা ইরেংবম রোসন অমসুং নিংথৌজম ইমোচ পুন্না মখোয় অহুম সরেন্দর তৌনবা ২৩ শুবা অসাম রাইফলসকী মেজর হনুমানদা হায়জখি। লোয়নননা মখোয় অহুম্মক লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না মফৌ দামদা লৈবা ২৩ শুবা অসাম রাইফলসতা খুৎলায়গা কোন্ননা সরেন্দর তৌখি। মখোয় অহুম্মক শ্যামকেশোরগী মমাংদা মেজর অদুদা সরেন্দর তৌখিবনি।

সরেন্দর তৌখিবা পুং ২৪গী মতুং শ্যামকেশ্বরনা মহাক্কী মচানুপা নোবিন অমসুং অতোপ্পা মমান্নবা অনি অদু মখোয়না সরেন্দর তৌখিবা ২৩ শুবা অসাম রাইফলস বট্টালিয়নগা কাপ্পবদা শিরে হায়বা পাউ অমা ফংখি। লোয়নননা অশিবা হকচাং অদু রিমস মোর্গতা পুরকখি। অসাম রাইফলসতা খুৎলায়গা কোন্ননা সরেন্দর তৌদুনা লৈহৌরবা মচানুপা য়াওনা মখোয় অহুম কাপ্পবদা শিরে হায়না মোর্গতা পুরকখিবা অদুদা শ্যামকেশোর য়াম্না ঙক্লা অশিবা হকচাংশিং অদু য়েংখি।

অমরোমদা থৌদোক্তুগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা নহা অহুম অদু মফৌ দামদা কন্সত্রক্সনগী থবকশিং চথরিবা অদুদা চংশিন্দুনা শেল খায়রম্বদগী নোংমৈ কাপ্পখিবগী থৌদোক্তা লৈখিদবনি হায়না মরাল শিখি। অদুমক্পু ষ্টেটমেন্ট অদুদা মখোয় অহুম অদু মিলিটেন্ট নত্রগা খুৎলায় পায়বা কাংবুরা হায়বদু পন্দে হায়না বরাক হ্যুমেন রাইটস প্রোটেক্সন কম্মিটি অদুনা থাংগৎলকখিবা রিপোর্ট অদু নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না লৌখৎতুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর সরকারদা সরেন্দর অহুম তমথিনা ওৎ-নৈখিবা অমসুং এক্সত্রাজুদিসিয়েল কিলিং চখখিবা অদুগী মরম পীরক্লবা খঙহনখিবনি হায়রি।